*“মণিপুরদসু নেতা পোকখি। হৌজিক্কী নৌরিবা নহারোলনদি থাজরোই মরমদি মখোয়গী মমিত্তা মণিপুরগী নেতা উদ্রি।” - লাইশ্রম সমরেন্দ্র*

# শৈরেং

## মঙাল অমা

— মোইরাংথেম কুলচন্দ্র

সহরগী ময়ায় চবুক্তা
মঙাল’মা -
বোঙ লাওনা কায়খি
মালেম’সে তঙ্খায় ’মা
পুন্মম মমখি।
চেক-মোক লাউখিদে
মীয়াম তপ্পা তপ্পা
মঙালগী মায়কৈদা চঙশিন্নখি।
করি মঙালনো খঙবা
ঙম্নদে-
চেন্নে মফম খঙদনা
মাগী মাগী
গুহাদা কোমদা তাশিন্নে
মঙাল অদু থিবদা।
অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা
কোক চুংশিন্নে
মঙাল’দুগী মরুমদা!
গুহা মনুংগী হঙোই
কাঙবু-কাঙবু পুনশিন্না
অদুবু!
ৱায়খুনদি য়ারমদে
অনৌবা লৈঙাক শেম্বা।

## ময়াইসে নঙগী

— আর কে মীনা

লোইনজবা ফংজরবদি নঙগা অমুক্তং
পূন্সি মহয় য়াল্লে খঞ্জবা লিশীং লিশীংনি
নঙনা লৈবা মফমদদি মোমোনতা নোকই হায়নৈ
উরিনা উপালদা য়েৎপগুম্না ফংহনবীরবদি
য়েৎনজবা নুংশিনা নঙগী মতম খুদিংমক্তা।
ঙাওনৈ নঙগীদমক পুন্নমক্লা
নঙবু ফংগনি খনবদি অফ-ফত্ত
মশক খঙদে উবদা ঙাওদবা য়াওদে
নঙগী নীংথিরবা মায়থোঙ উবদা।
নঙননি পুন্নমকপু ফত্তবীসু ওইহল্লি
মীনসু নঙগী মরমগীদমক নুংশিনহন্দে
তৎতনসু ঙাওহল্লি শাওহল্লি ৱাহল্লি
মতিক মপা চাদবা কয়াসু থোকহল্লি
নঙগী ৱাখলদা লুপ্তুনা লৈহল্লি
কনাগী অৱা নুংঙাই ৱারী চঙহন্দে
কনখ্রে নঙগী নতিক নঙালসে
মমা মপা মচিন মনাও মচা মশু য়োম্হোকপা ঙম্মী
মালেমবু খুদুম চনবা ঙম্বীনি নঙদি
নঙবু নুমিৎ খুদিং শোন্দুনা অৱাবা খাঙলি
ধুপ থাওমৈ কৎতুনা পুজা তৌরি খুরুম্মী নফমদা
মায়োক্নরিবা খুদিংমক নঙগী মরমগীনি
খল্লি অমুক্তংদি অসুম্না নোংমদি ঐখোয়সু
আশানি কদায়দা লৈবগে? করি করম তৌরগা
উনগদগে কনফরে নঙগী ময়াইসে।

## লমতা থাগী পুর্নিমা

— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লাক্তেদা লাক্লনি হায়নবদো
ইনক নক্লবু লৈরম্লে
মচুগী কুম্মৈ য়াওশঙ হায়বদো।
ইনখৎলকপা নহা মতম ওইরিঙৈ
হৌমিন কামিন্নরকপা কৈরোয় লৈকায়গী
মরুপ মপাং ইচে ইচলশিংগা
লোয়ননা চেন চোংদুনা শান্নমিন্নখিবা
ঙসিদি নীংশিংবতা মঙাইরে,
মচুগী কুম্মৈদা খৌরাংজরকপা
মমি শাল্লক্তুনা লাক্লনি
হায়নবা য়াওশঙ কুম্মৈদো।
লমতা থাগী থাজনা মোমোন নোকপা মীনোক্কা লোয়ননা
মালেম লৈদা য়েংলকপা,
পূক্লিং ৱাখল পোৎথাফম
খঙদনা লাংতক্লখিবা কয়াদো,
মচুগী কুম্মৈ য়াওশঙ নীংশিং নীংশিং
মমি শাল্লক্তুনা নুমিদাংৱাইরমগী
মৈশা হন্থরক্লবা নুমিৎকী মঙালদা
মতমদুগী লমতা থাগী পুর্ণিমা
থাজদো অমুক ঈখৌ লাংবা পোক্তরে।

## পাউরৌ পাউতাক

— রন্ধীর থিয়াম

লমতাগী য়াওশঙনা লাকপদা
থম্মোয় য়েন্নিং হুন্নরে
শাবী শানৌ হরাওনরে
অঙাং অহল খাক্তনা
মথুম মরাং হৌনরে।
য়াওশঙ থাবল চোংলনি
পাখঙ লৈশা খঙনরনি
হরাও মথোই কানরনি
পূন্সি লৈপুন শেম্নরনি।
অদুবুনে শাবী শানৌশা
থম্মোয় মশক খঙনদ্রিফাও
অশেংবা নুংশিবা শাফোংনদ্রিফাও
থম্মোয় কিশি কিনগনু
নুংশি ৱাশক পরৈনগনু।
নুংশিবা মশক খঙনদ্রিঙৈ
অপাম্বনা থম্মোয় থুমহৎখ্রবা
থম্মোয় থম্মোয় পীনখ্রবা
নুংশি কিশি কিনখ্রবা
নুংশি লীপুন চেৎলোইকো
নুংশি চয়োম থোক্তুনা
তোঙান নাইতোম তাননি
বদনামগী চৈথেং ফংননি
ৱানা পূন্সি লেন্ননি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কীজ -১৩৩গী ৱাহং

১) “চহী লিশীং কয়া চৎলক্লি ঐহাক পৃথিবীগী লম্বীদা
সিংহল সমুদ্রদগী অহিঙগী অমন্থদা মালয় সাগরদা
কোয়রুরে কয়া ঐহাক; বিম্বিসার অশোক্কী ৱাউথাংনরবা জগৎতা...।”
শৈরেং মতেক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা শৈরেং ‘বনলতা সেন’ হায়বদুগী অহৌবা পরেংনি। হন্দোক্লবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং অমসুং ত্রান্সলেটর অসি কনানো?

২) “নোংহৌ অমুক লাকপদা” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৩) “মণিপুরগী পুৱারীদা নুপীগী মফম ৱাংনা লৈরকই। লাই হাক্তক্তসু অদুমঙায়।”
ৱাহৈ পরেং অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা অমগী লাইরিক অমগী ৱাহৈ খরদংদা ফোঙদোকপা ৱাহৈনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৪) “সোরোজা” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) “অমুবা ফিগী আনোক” হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩২গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৫)***

২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৩,৫)

৩) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,৩,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৩২গী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১৩২গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কীজ -১৩২গী পাউখুম

১) “অহেনবা ঈ” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? **:- অইবা - শরৎচন্দ্র নোংথোম্বা, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অহানবা ফোঙখিবা : ১৯৮১।**

২) “হন্দোকপা হায়বসি লুখ্রবা কলা অমনি। ফজরবসু শীংথানবীদবা, থীরগনা মীচৈ তাবা থবক অমনি।”
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱামাঙ য়ানবদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- ত্রান্সলেটর - সলাম তোম্বা, লাইরিক্কী মমিং - অঙৌবা কৈ, ওরিজিনেল রাইটর - অরবিন্দ অড়িগী, অহানবা ফোঙবা : দিসেম্বর ২৯, ২০১৯ ইং (নোংমাইজিং)।**

৩) “নীংশিংবগী মমি” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু। **:- অইবা - রনবীর সারুংবা, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, ফর্ষ্ট পব্লিশ :** ২০২৫।

৪) “লেপ্পলম্মী নিংথম উলেন খাঙনা
উনাশিং অমত্তা পান্দ্রবা মরূ কোক্লবা উপালশিং
শ্বরদি হোল্লি অশিবগুম তুমিন্না লেপ্পবসু
চিল্লোক্লরি পোম্বী চেক্লাশিংগা তুমিন তুমিন...।”
শৈরেং মতেক অসি ‘য়েন্নীংথা’ হায়বা শৈরেং অদুগী অহৌবা পরেংনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা কনানো? **:- লাইরিক্কী মমিং - লম্বীসিদা শম্নদবৈ শম্নদবশিং, অইবা - ক্ষেত্রি রাজেন, ফর্ষ্ট এদিশন :** ২০২৪।

৫) “লৈক্রক” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? **:- অইবা - খুন্দ্রাকপম রাধেশ্যাম, লাইরিক্কী মখল - শুমাং লীলা, অহানবা ফোঙবা :** ২০০৯।

# মণিপুরগী ঈশিং-নুংশিৎ



**মতম মতমগী ৱাখল**

## মাখোনমনি মোংসাবা

ইম্ফাল মণিপুরগী কোনুংনি। মণিপুরদা কাঙলুপ কয়াগী মীওইশিংনা ঙল্লিঙৈদগী পূন্না খুন্দামিন্নরকই। ৱাহৈসি মৈতৈ খক্তনা হায়গুম তৌই। ‘কাঙলুপ কয়া’ হায়বা ৱাহৈসিদনি অয়েৎপা লাক্লরিবসি। ঙল্লিঙৈদগী খুন্দামিন্নরকপা মীওইশিং অদুবু লমদম অসিগী কাঙলুপ কয়াগী মীওইশিং হায়বনি। মী লোয়নমক কাঙলুপসিদা কোনশিনবদি নত্তে। ঙল্লিঙৈ হায়বসিদা অকক্লবা মতম অমদি পীরি। কয়াম ঙনবা মতম্লো, করম্বা মতমদগী ওইগদবনো হায়বা ৱাফমসু লৈজরি। মণিপুরদা, ঙল্লিঙৈদগী খুন্দামিন্নরকপশিংগী মনুং চন্দবশিং অদুনি মীতোপ হায়রিবসিদি। মীতোপ হায়বসিদা মিহুন তিং তিং চোংবা মী য়াওনরি। পরিক্ষা হায়দোক্লকপগী রোল নম্বর য়েংবগসু মান্নরি। মশানা মীতোপ্পি হায়বদা চিংনজবা মীসু য়াওবা মাল্লি। য়েলহৌমী ৱাহৈ অসি হায়হন্নীংদবা মীসু লৈগুম তৌই। কনাগুম্বনা, ‘য়েলহৌমী’ হায়বগী মহুৎতা ‘ইন্দিজিনিয়স পিপল’ হায়না শীজিন্নে। মণিপুরী হায়বগা য়েলহৌমীগা অনীগী ৱাহন্থোক খর খেন্নবা লৈগনি। য়েলহৌমীবু ওইরগসু মণিপুরীবু হায়রগসু ৱাহৈ অনীমক অসি অঙাং থেম্বদা শীজিন্নগদবা ৱাহৈদি নত্তে। শাপাউ লানপাউ ওইবা ৱাহৈসু ওইদে। অশেংবা মিংথোলনি। ফুরুপ অমবু মশক তাকচবনি। হৌজিক মালেমদা লৈরিবা মীওইবা কাঙলুপ খূদিংমক মাগী মাগী লোন, নাৎ চৎনবী অমদি মীওই কাঙলুপ অদু মশক তাক্লবা কন্না হোৎনবা ঐখোয়না থেঙনরি। ইশাগী অশেঙবা ইরোল ঙাঙবদা কিথি কীরুম তৌবসি লাইবক থীবনি। লাইরবনা ইনাক খুনবা শাবা য়ারোই। অমম্ববু অঙানবনি হায়না মশক তাকপা চুমলোই।



পাচা মীতৈনা মহাক্কী লাইরিক অমা, ‘ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ইদুনা ফোঙবীরম্মী। পাচানা উখিবা, থেংনখিবা ইম্ফালগী ঈশিং নুংশিৎ অদু ইঙা ইঙেনগী ফুইনা হৌরকপা নোংজুগী ৱারী নৎখিদে। ৱাইশেন মরিল ফুনবগী, নম্বুল তুরেল মোৎপগী নত্তে। ঙসি, হৌজিক ঐখোয়না থেংনরিবা, উরিবা ইম্ফালগী ঈশিং নুংশিৎকা অনী অসি চাংদম্নবদু নত্তে অদুবু নক্লবা মান্নবসু খর লৈগুম তৌরি। পাচানা উখিবদি মতম অমগী ইম্ফালগী মশক্নি। মমিংতবু ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎ হায়বনি। মীওইবনা হিংবদা চঙবা পোৎচঙশিংগী মনুংদা ঈশিং অমদি নুংশিৎ অসি মরু ওইরি। ঈশিংগা নুংশিৎকদি থৱায় পানবদি নত্তে । মীওইবদি থৱায় পাল্লি। থৱায় পানবা মীওইবদা থৱায় পান্দবা পোৎশকশিংগী মরুওইবা মথৌ তাবসু য়াম্না লৈরি। মহৌশাগী মৈ, ঈশিং,নুংশিৎ, লৈপাক,অতিয়া হায়নবদুদা পাচানা নৈনবা নত্তে। ঈশিংদি মশক উরি নুংশিৎতি মশক উদে । পাচানা শীজিন্নরিবা ঈশিং নুংশিৎসিদি অমনি। মীওইবগী লমচৎ-শাজৎ, খুন্নাইগী পূন্সি মহীং,মীশিংগী মরক্তা অমগা অমগা লৈনরিবা মরি,ওইরিবা ফিভম মওংশিংবু পাচা মীতৈনা ঈশিং নুংশিৎ ওইনা চাংদম্নবনি। মীওইবগী অমোৎপা শাজৎ, মনুং মপান নাইনা চৎনরিবা লমচৎশিং,পূন্সিশিংগী মশকশিংবু ঈশিং নুংশিৎত্র পাদম লাক্তুনা য়েক্লকপনি। মশক উবা অমদি উদবা পোৎশক অনী অসিনা করি ঙম্মী করি ঙমদে, মতীক ময়াইশিং উপ্পা তাবা উনা, লোংনা তাবা উনা হাইগৎলগা নৈনবা মথৌ তারকই। অঙনবা পাচাগী মতমদা উখিবা ইম্ফালগা ঙসি হৌজিক্কী মতমসিদা ওইরিবা ইম্ফাল অমদি মণিপুরগী মওংশিং, অনী অসিগী খেন্নবসি থিদোকপা চুম্মী। ঐখোয়না,হৌখিবা অমদি হৌজিক্কী ইম্ফাল, মণিপুর খঙগে হায়রগদি-পাচাগী মতমগী ফি অমুক শেৎ, হৌজিক মতমগী ফি অমুক শেৎচিন, হোং হোংদুনা ইম্ফাল অমদি মণিপুর অসি য়েংবা তাবনি।

হৌজিক মতম অসিগী ওইনদি, পাচানা কোচি কোৎলগা শীজিন্নরবা ঈশিং নুংশিৎ অদু, অশেঙবা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম ওইনা নৈনবদা য়াওদবা য়ারকত্রি । মণিপুরগী ঈশিং নুংশিৎ অসি য়াম্না ফরম্মী। মণিপুর অসি লৈবা নুংঙাইবা চীংলৈবাক্কী লমদম্নি হায়নরকই। সুইটজরলেণ্ড ওফ ইন্দিয়া, দ লেন্দ ওফ জুয়েল, Sir Geoffrey না A Flower on Lofty Heights জপানিজ লোলদা ‘তাকানেনো হানা’ অসি হায়দুনা ইরম্মী। হৌজিক্কী মতম অসিদদি, লমদমসিগী মহৌশাগী খুদোল ঈশিং নুংশিৎ শেংদ্রে। মতম চানা নোং চুরম্বা চুখিদ্রে। কা হেন্না শাদবা মণিপুর কালেন থাগী মতমদা ডিগ্রি নিফুগী মথক্তা শাগৎলক্লি । নীংথম থাদা উন তারম্বা, মৈ তিক্তুগদি লৈবা ঙমদবা পীকখ্রবা মণিপুর অসি দিল্লি,কলকটাগা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম, শাবা ঈংবগী চাং মান্নরক্লি। মপানগী অশাবা নুংশিৎ, মণিপুর য়ৌনা হুমজিল্লক্লি। নুংশিৎ অশাবা য়ৌরকপদা, হান্নগী মণিপুরগী অঙৈং অশা, নুংঙাইরম্বা ঈশিং নুংশিৎ অদু মাঙখ্রে । জপানীজগী লোল, তকানেনো হানা মণিপুরদা তাকখ্রে, লেন্দ ওফ জুয়েল হায়বগী মহুৎতা জুয়েল থিপকী মফম ওইরকই। হোম লেন্দ,সেপরেট স্টেটকী ৱাফমদা ঙাকথোক ঙাকশিন তৌনরগা লৈরি। হায়জিনবা তৌশিন্নবগী ৱাহৈশিংনা অতাবশিংবু খুদুম চনশিন্নবা হোৎনরি।

চীনবুংদা হায়নরকপা অমনা, ৱাকচীং থাদা নোং তাদ্রগদি লৈপাক অদু লৈহৈদে । নোং তারগসু লৈখোম থোক্লা কা হেন্না তাবা য়াদে হায়নরকই। হন্দক্কী ৱাকচীংদু নোং তাখিদব্রা কৈনোমা তৌখি। থাজনরকপগী মতুংইন্না, লৈপাকসি লৈহৈদবা লম ওইরব্রা ? লৈপাক্কী অখঙ অহৈশিংনা লাইতাইবীদুনা খুরমজরমগনি খঞ্জে । ৱাকচীং থাসিদা লৈরিবা চৎনরকপা থাজনবীসি য়াম্মী। ৱাকচীং থাদা ফমুং কাংথোল মখোং লেঙনদে। ৱাকচীং থাদা কৈগী ফৌকোৎতগী ফৌ কোৎনদে, লুহোংবা নাহুৎ-নারেং, শঙকাবা অতৈ অফবা তৌনদে। মীনা তৌনদবা তৌরগদি মহাক অদুখক নত্তনা লৈপাক্কী ওইনসু অফবদি থাজনরকপগী মতুং ইন্না ওইগন্দবনি। চৎনদবা তৌনদবা তৌরকপগী ঈশিং নুংশিং অসিনি অনৌবা থুংলবা জিব ওইরিবসি।

ওজা পাচা মৈতৈনা উখি কালিমাই মপাদা লাইবক কৎপা মীগা কৎতবা মীগা অনীগী খেন্নবা। থাজবা কাঙবু অমগা থাজদবা কাঙবু অমগা অনীগী মূক্লবনি। থাজদবা হায়ববু ৱাকচীংদা নোং চুখিদবা অসিনি। মহৌশাসু মতম ঙাক্লক্ত্রে। ঈশিং নুংশিৎসু চৎনবী কায়রক্লি। হৌজিক টোটি ঈশিং ফংনদবা হৌরে। নুপীনা বেন্দ খোঙবা থোক্লক্লে, বেন্দ পার্টি লৈরে। মৈতৈ নুপী ৱারী লীবা থোক্লরক্লে। লময়ানবা ইরাবতনা লাওখিবা দেবী শম পুনশিল্লু, খ্বাংশেৎ মচি লাংশিল্লু হায়বদু মসিসু অমা ওইগদৌরিব্রা ? নুপীনি হায়দুনা তুমিন্না লৈগনু থৌনা লৈসি, থবক্তা চিলহাউ থিগুমসি। অঙম্বা শুসি হায়বনি হায়বা পাউতাক অদুগী খুদুং ইল্লকপনি হায়না লৌবা য়াব্রা ? মসিমদি অফবনি হায়নীংঙি। লমদমসিগী ইচে ইচল, ইমা ইবেন লৈরমদ্রগদি ঐখোয় য়াম্না ৱাগনি। নুপানা খুল্লিংবা হায়নরম্বদু হৌজিক্তি নুপীনা খুল্লিংবা ওইরে হায়বদা হায়মনবা থোক্কদ্রা? নুপীনা য়ুম পুরি, মচা মশু,খুন ফাওবা নুপীনা ঙাকচরিবসি ঐখোয়না মসিগী মমল খঙফম থোকই। অইবা পাচানা উখিবা নুপীদি হোটেলদনি, অঙম অথৌ শেঞ্জাউ পায়বগী শঙকাইদনি । ঙসি ঐখোয়না উরিবা লমদমসিগী নুপীশিংদি লম্বীদনি, কৈথেলদনি,লৌবুক্তনি, চীং লম্বীদনি। ইমা ইবেনশিং লাম্থেংনবা য়াওরি।

অদুবু অসুক ফজখ্রবা ফিদম্নফম ওইরিবা ইমা ইবেল, ইচে ইচল খরনা মীয়ামগী ওইবা অরুবা থবক থৌরমদা,কুম্মৈ ফিয়োং থোক্লকপা মানবা, য়াওশংগী হরাউ কূম্মৈ অমগুম্না ফিজেৎ লৈতেং কোকশেৎ, মখল মচু ময়ামগী ফিজোল থোনবা অসিনা কদায়দনো ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম ফৎতবা অমা অমুক ওইনা অউবদা অমুক ফাওহল্লরি। লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং ‘ওলিব গ্রীন’ নীংশিংলকই। “শজিবুগী কোম্বীরৈসু মফজৈ, কালেনগী লৈহাও লৈরেনসু মফজৈ, ফজৈ দা ইমা মৈতৈ লৈমা, মায়গৈ শলাই খূদিংদা ফজদবা অমত্তং হায়ববু, ওলিব গ্রীন অসিতনি হৱাগাড়িদা চৎলিবা নোংমৈ শীংদুনা ।”

য়াওশং লাক্লে । য়াউশঙগী শান্ন খোৎনবা থৌরমদা লমদমসিগী নুপী মৌশিংনা মিৎতা ফি কিশিল্লগা ঙানু য়েন ফাববু মশান্নগী থৌরম অমনি হায়না য়াওরকপসি হন্দকসু য়াওদৌরিজাৎলা। মসিবু ঈশিং নুংশিৎতা য়াওরকপা উফুল ওইগদৌরিব্রা ? ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম ফৎত্রবা লমদম অসিদা ইকং অমুক থোক ইচাও অমুক থোক তৌদুনা মীয়াম্না ৱানরি। মরক অসিদা ভোটগী হয়িংখোই পাইবা হৌরক্লি । ভোটকী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম অসিনা করি ওইগনি খঙদ্রি । হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংবসিমদি লেপত্রি। য়েংখিবা তারিমালে। হন্দক্কী য়াউশংসিনা করম থোক্লগবা ? ●

---

**ৱারী ককনাউ**

# ওনলাইন নুংশিবা

মচিৎ-মচিৎ রোমিতাগা রোমেশকা মতৈ-মনাও অনীসিনা উংখৎ-উংখৎতনা খৎনরক্লিবসি ঙসাই অয়ূক্তগীনি। করি ৱাহৌদগী মরৈ য়েৎনরিনো, ঙাঙনরিনো খঙদে। অমুক হেক নেমথৈ, ঙাইহাক লৈরগা অমুক হেক য়েৎন-ঙাঙনদুনা তৌরিসি হৌজিক নুংথিল পুং ৩ খরা হেল্লে। সিফাও লোইবা নাইদ্রি।

রোমিতাদু মাঙ্গোল ৱাই তাশিল্লি, শুমচিৎ মতোন্দু ফ্র-ফ্র হাইখৈ শিৎলি। মচিন্দনা কবোক পোক্তু ঙাই, করি হায়রিনো মরোল মুন্না তাদ্রদি খঙদে। মশা পেঞ্জনবা, মচিন্দা মুরুম-মুরুম শোনবগুম করিগুম ইশৌ ফজনা লাংই। ৱাই শিৎলিদু ফজনা তাশিন খোমজিন শিৎত্রবনিনা শিৎনা-শিৎনাঅদুম চাইরি। মকোক্তগী অমুক হৌবগুম হঞ্জিন-হঞ্জিন শিৎপদুনা মাঙ্গোল মতেক্তুমতং ৱাই শিৎপদা ফনা কুইরে। শুমাং মতোন্দা গাড়ী মচাদু ফি অমা পায়রগা শেংলিবা রোমেশনা তাই। মরক-মরক্তা মখয়াৎতু খংচিক-খংচিক চিক্লগা হেক হেক য়েংলকই, রোমিতাদা। য়েংলিবা মীৎয়েংদু অকিবগী মশকনি। চরাম্নরবা কৈজাও অমনা ইচেল তৎলি-তৎলিরগা তুরেল মচা অমদা কুমথরগা ঈশিং থকপদুদা মসিবু হেক্তা চোংশিল্লগা লাক্লসিরা হায়বগী টাইপতা য়েংবা মীৎয়েংনি। মাগী নুপা রোমেশনা মাবু হকচিন্না য়েংলি হায়বসি রোমিতাসু অদুম খঙই। অদুবু মচিন্দি লেপ্তে। হন্দক্তি রোমেশতু গাড়ী শেংলম্বদগী চপ লেপখৎলগা, মখ্বাংদু হায়রপ তিংলগা মখূৎ অনীনা মখ্বাং মেৎলগা মমায়দু রোবিতাদা য়েংলগা, মমিৎতুনা চোংথোকখৈ য়েংলগা, অশাওবা পূম্বা তাশিল্লগা তপ্পা ঙঙলগা হায়রকই।

“ঐ তাগে হায়না তাবনি, নঙনা হায়দু কৈ হায়নো? হা?”

“ঐনা করি হায়রগে?”

“নঙনা হায়দো ময়েক শেংনা তাদে, মুরুম মুরুম শোল্লিদু করি হায়রিনো সিনি?”

“অদু খঙলগা কৈদৌগে হায়বনো?”

“অদুদি নঙ ঐঙোন্দা ফজনা চেলেঞ্জ তৌরেনে?”

“চেলেঞ্জ হায়সি কৈনো?”

“চেলেঞ্জ হায়সি ওপন চেলেঞ্জনি?”

“য়াম পাম্মীরা?”

“অয়ূক্তগী লেপ্তুনা শৌরিদু কোয়লাশকা ওইরদি ঙসাইনা কংঙনি। পিদ্রিপ পিদ্রিক সুম শৌরিসি কৈনো হায়বনিদা?”

“হো পেন্দবা, পেন্দবা কো, য়াম পেন্দবা”

“ঐদি পেল্লে, য়াম পেল্লেদা”

“নঙদি ঐ ফংইসি নরাইবক ফরবনি, সিদা ফাও পেন্দ্রদি কৈদৌ হায়বনো?”

“ৱাসি মীগী মমাঙদা য়াম ইকায়, ঐনা নঙ লৌরকইসি হল্লাদা লৌরকপা নত্তে, য়াম ৱানা লৌরকখ্রজাৎনি”

“ঐদি নঙোন্দা ইকোম কোম্না লৈরকপগী ৱারা হায়সে?” মখূৎতা পায়রিবা শুমজিৎ মনীংলোমদা লোৎশিল্লগা, মাঙ্গোলগী উখোকতেন্দুদা ঙারগা ৱাসি চপ চানা ঙাঙনরগে মতাগুম মুক্লপ লেপ্পগা হংলকপনি।

রোমেশসু তঞ্জাসি মাঙহনবা চুমদ্রে হায়দনা চপ চানা শেংদোকহৌরগে হায়দুনা হান্না লেপ্পম্বা মফমদগী খোঙফম অমা অনী মাঙদা থাংজিল্লগা শংত্রিক-শংত্রিক য়েংনরগা ৱাফংনরকই।

“নঙসে, নশক্কদু য়াম ফজবোই নীংই। ফেসবুককী দি পিদগা কোরিয়াগী ফজখ্রবী নুপী অমগী ফোটো হাপচিল্লগা, ফজবী, ইনাকখুনবী শারগা, ঐঙোন্দা হৌরকখিবা নৎত্রা?”

“হা হা য়ো... ঐনা হৌবা গাইনা। নোং ঙানবদগী কদাই কদাইদা নুপী ফজবী লৈরিগে হায়না ফেসবুক হাং হাংদনা য়েংলগা লৈবা নঙনা, নবেম্মা ঐ থেংনরম্বগী ফবনি, নৎত্রদি নহান্না নুপী শাবী ওইনা থেংনদনা নপূন্সিদু শলাক শারম্মদবনি”

“মতমদুদা মতৌগদি, ইনাক্কা য়াম খুনবী, লন থুমগা য়াম লৈবী, মমা মপাগদু শেল য়াম পায়বীগা শারগা, মুক মুক্তুনা ঙাঙদনগা তৌজ শারিয়ে”

“নঙসু য়াম্না লেম্বা, লাইরিক লাইশুগা য়াম হৈবা শাদনা ঐঙোন্দা থেল্লকখিবা নৎত্রা?”

“ওই... য়াম পাম্বগী ৱা নত্তেকো, কৈসু কা হেন্না পাল্লুবগী ৱা কৈসু লৈতে। ফেসবুকতা খঙনবদুদা, অমুক্তোইবা নুংশিবগী ৱাগসিনা চরোং চরোং বসন্তদা হৈপাল লৈপালনা মরাং হৌদু ঙাই। উনসি হায়রে, উনরে। অহানবা উবদুদা ঐদি ফেসবুকতা উবা ফোটোদুগা মান্নরমদদুনা হল্লগে তৌবনি। নুংঙাইতদনা ঙাইহাক ৱারী হৌরুবদুদা নঙদি প্লান অমগা লোয়ননা চেন্নবা থৌরাং তৌ লৈরম্মৈদনা।”

“হাহা... য়ো, ঐদি নঙগী নতৌ য়েংগে হায়দনা চেল্লসি হায়রুবগী ৱানি। নঙদি হান্নদগী নশাদা ঈরাং তৌ লৈরম্মে, কোক য়াথোরকপদগী চেনবনিনা, অদুগা ঐঙোন্দা তাইশিনবা য়াব্রা?”

“য়ারে তোল্লসি, লোইনা তেংখৈ হায়দোক্লরদি, ৱাসি লোইনমক কাইরনি। ৱা কাইরদি ঈশিং চংলগনি কো”

“য়াই য়াই... হৌজিক্তি লৈমিন্নরে, লৈমিন্নরদি, অপাম পামদা, তাথোক তাশিন তৌনবা তাবা, য়ূম অমা পানবা কৌবনিনা। অদুদা মুক্লপ মুক্লপ তৌবদো তৌনু হায়বা কো”

“য়ারে কৈদৌরগে, ওনলাইন লভ”

“অদুদি নঙসি ওনলাইন হজবেন্দ তারেনে”

“নঙসু ওনলাইন ৱাইফ তারে। ওনলাইনদগী পোৎ চেনবদা ফজবোই নীংলগা ফজরমদবদো চেল্লিবা মীদুগী মরালনি। হৌজিক্তি হনবা য়াদ্রবনিনা পাম্বৈ লৈতে।”

“ইস নথৌ লৈতখৈ চেনশিল্লুরগা, হনবা য়াব্রো, লৈনি হায়না লৈরক্লবনি লৈনি...” ইমুংদা শুমজিৎতু পায়রগা রোমিতাদু গ্রোং গ্রোং চঙখি। রোমেশনা য়েংলগা লৈহৌই।

— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

# লৈচিল মপৈ - ৪

“নুমিৎ খুদিংগী চাক চারা চারা থবক্তি শূদা কনানা পু-থাং ঙমগদৌরিনো? ঐনা তৌরি সুমাইনা কনানা নঙোন্দা তৌবীগে? নবেম্মা ঐদি লক্ষ্মীনিনে। চৎলু য়ূমথোঙ খুদিংদা কনানা নঙবু নোংমা ফানা নথীবোংদো থাকপীগে য়েংসি। চাক হায়সিদা নোংমতা হরাও-হরাও থোংউদনা, নুমিৎ খুদিং শাউরঙননা করি থোকএনা। ঐনা হায়বা ইল্লোইদবা লৈরবদি য়ূমসিদা লৈরনু, কদায়দনো নঙনা থোকপা চৎপীখ্রো।”

ইবেনি শাউনা মপান থোকখ্রে।

“ইমা অপোকপী, নঙ লৈরম্লবদি অসুম হায়না তৌরম্লোইকো। নচা খাঙবা ৱারে ইমা।”

কপ্পা কপ্পা হৌগৎলগা চাকখুম চঙলক্লে। রাজেন শীং খরা পুদুনা চঙলকপদা তৌরল্লিবা মতৌদুদা ইঙক ঙকখ্রে।

“ইচে, করি তৌরে সিদি। লাইবকসিদি ঈ থোক্লে। কমাই তৌরিনো?”

“খুদি থীদুনা তুবদা শোকপনি। করিসু তৌরোই।”

রাজেন খঙই। মমাগী খোঞ্জেল ঙাইহাক্কী মমাঙদা তাখিবনি।

“ইচে, শেংনা হায়য়ু ইমানা ফূরিরা?”

“নত্তেদা, থাজদ্রগা ইমাদা হংঙু। করি হায়গে য়েংউনে।”

“নত্তে ইচে, নঙনা ঐঙোন্দা মীনল্লিবনি। ঐ লোইনা খঙই। ইমানা নঙবু শোয়দনা ফূরমগনি। ঐখোয় ইমাসে য়াম্না ফত্তবা নুপীনি।”

“নত্তে ইবুংঙো, ইমাদা অদুম্না খক খনগনু।”

“ইচে, নঙ ঐবু নুংশিদ্রা। ঐদি নঙবু য়াম্না নুংশিজৈ। ঐবু পোকমিন্নবা নৌপ্পা নত্তে হায়না খনব্রা?”

“ইচেমগী ইবুংঙো রাজেন।”

সোরোনা মৌপ্পাগী মচিন মেনখ্রে। মমীত্তগী মপিদি অরেপ্পা লৈতনা শীন্থরক্লে।

“ৱাহৈ অদু অমুক হন্না পনগনুনে নচেদা। নঙগী অদুগুম্বা ৱাহৈ অদুনা নচেগী থম্মোয় পুবা ঙমদ্রেনে। রাজেন, ইচেগী ইবুংঙো, নচেবু ৱারৌব্রনে? (মখা চৎথজরকখিগনি)

— **সামোম রঘুমনি**